থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# যু এন সীগী নাপল কনানা থুদেক্কনি?



হৌজিক্তি ময়েক শেংলে - য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (যু এন সী), এন এস সী এন (আই-এম) গী অতোপ্পা মায়থোঙ অমনি। যু এন সীনা নবেম্বর ১ দগী চথুরিবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসিগী মরু ওইবা ‘ৱারু’ - সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট শেমগনি হায়না তৌরম্বা লৈঙাক্কী থৌরাং লেপ্পু হায়বা দিমান্দ অদুগী ওন্ন-তৈনবদা ‘কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট’ শেমখিবদগী এন এস সী এন (আই-এম), তূমিন লৈবা ঙমদরে, চীনবান মকা ফোংলক্লে। মখোয়না হায়, - কম্ম্যুনেল লাইনদা দিষ্ট্রিক্ট খায়দোকপা য়ারোই। উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট, চুড়াচান্দপুর, চান্দেল অমদি ইম্ফাল-ইষ্ট, থৌবালনচিংবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী অনী থোকখিবা অদুদি কম্ম্যুনেল ওইদবা, সেনাপতিগীদি কম্ম্যুনেল ওই হায়রিবসিগী লোজিক করিনো? নাগাশিংগী লম-অতৈ কাঙলুপ্পা শোকপা য়ারোই - সিবু করম্বা লোজিকনো? নাগাগী লম, কুকিগী লম, পাঙলগী লম, মীতৈগী লম হায়না কনানা খায়দোক্কখি? নাগাগী লম কদায়দগী কদায়ফাও, মখোয়গী করম্বা নিংথৌনা, করম্বা চহীদগী কয়াফাও পানখিবগে? নাগাগী ইতিহাস কৈদৌঙৈদা হৌখিবগে? নাগা হায়বা ৱাহৈসি কনানা কৈদৌঙৈ শেমখিবনো? সেমা, লোথা, কোনয়াক’না কৈদৌঙৈ নাগা ওইরকখি? মাও, মরাম, তাঙ্খুলনা করম্না নাগা ওল্লকখি? বৃটিসশিংনা লাক্লগা ইশিল্লম্বা ইতিহাস অদুরা - যুনিক হিষ্টরি ওফ দ নাগাজ?

থম্মোয় পাউদম কাখল মচা অসিদা চাউরবা-শাংলবা ৱারী অমবু করম্না লিবা ঙমগনি! লিনিংলুবদু নত্তে ৱারীদু। প’দ’য়াদবগী পল্লকপনি। ঙসিদি যু এন সীগী ইকনমিক ব্লোকেদ - তরায়না লৌবা য়ারত্ত্রে। মখোয়গীদমক এন এস সী এন (আই-এম) না ৱা ঙাঙলক্লে। ষ্টেট সিক্যুরিটিনা ঙাক-শেন্দুনা পুরিবা সিফাইশিং য়াওনা-য়াওনা, পোৎ পুবা গাড়ীশিংদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক তৌরক্লে, অশোক-অপন য়াওনরক্লে। মসিগী থাকসি য়ৌরবদা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল - সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমনি হায়দুনা তুমিন্না লৈফম থোক্লিবরা? ক্রিমিনেল ওইবা থবক অসি পাঙথোকপগীদমক কাউন্সিল অসিগী লুচিংবা অনী ফারগা লোগী ওইবা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎপদসু, মখোয়বু ক্রিমিনেল অমগুম লোয়নবী হেক মহায়বা! ক্রাইম অমা পাঙথোক্লিবা মীশক অদুবু নৎত্রা ক্রিমিনেল? অদুনসু হায়রি মীয়ামদা (মেদিয়াগী খুত্থাংদা) - ব্লোকেদ তৌবগী ৱারেপ অসি নাগা মীয়ামগী (কল্লেক্তিব ওইবা) দিসিজননি, প্রসিদেন্ট অমা ওইনা মহাক্লা করিমত্তা তৌবা ঙমদে। গাইদোন কামৈগী ৱাহৈসিনা তাকই, মদুদি, চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি ‘মণিপুর মীয়ামগী মথক্তা নাগা মীয়াম অপুম্বনা লান্দানবা লৌখিবা ৱারেপনি।’ লাল্লবরা? ফজবা ৱাহৈদা শেমদোক-শাদোক্তুনা ‘হ্যুমেনিটিগী মথক্তা তৌবা লাননি’ কায়না হায়নবগী ৱানি। লান হায়বসি নাকপাক (তেঙ্গোল) অনী চঙই- লান শীংনবা নাকপাক অমা, লান হনবা নাকপাক অমা। অমদুনা হল্লক্ত্রি’বমখৈ ‘লানফম’ (বটল ফিল্ট) হায়বদু ওইদে। হৌজিক, যু এন সীনা ঙাইরিবসি মীতৈশিংনা খূৎ হল্লকপনি। ফুল-স্কেল পোলিটিকেল বেটল অমগী মায়কৈদনি চঙশিন্নরক্লিবা নাকল অনীমক্লা ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা পূম্নমক্লা লাংতক্লরি লানঙম ফিরাল থেৎকদৌরিবসি করম্বা মায়কৈনো - মণিপুর লৈঙাক? নৎত্রগা, মরৌ লৈবা যু এন সী?

মণিপুর লৈঙাক্কীসু, তানফম অসি মখা তানা চথুবা নৎত্রগা চথুদবা লাইবক লেপ্পগী তানফম অমা ওইবনা তয়াং তশোই-ৱারেপ লৌবা য়াদে। থিংলিবা লম্বী অসি অরৈবা পুলিস, আর্মি অমদি পেরা মিলিটরি ফোর্স শীজিন্নদুনা নমফুদা হাংবা য়াই। ইবোবীনা মদুগী ওপসন অদু লৌদনা, ‘হায়লি পোলিটিকেল’ ওইবা দিসিজন অমা লৌরক্লিবসি অচুম্বা খোঙথাং ওইরবসু, মীখল মতম কা হেন্না নকশিল্লবা ওইবনা ‘পোলিটিকেল মাইলেজ’ লৌননবা হোৎনবা মানবা কৈদা অমা য়াওবসিনা লান্না উনবগী মচাক অমদি ওইরিবনি।


মতাঙ চানা কাপ্পকপা ইবোবীগী তেন অদু পানফম চানা পানখিবসিনা, লিংনা লৈরম্বা বি জে পিগী কেম্প, মফম-ফিরেপ কায়হনখিদবদি নত্তে। বি জে পিগী সেন্ট্রেল লীদর, প্রহলাদ সিংহ পাটিল (মণিপুর ইন চার্জ) গী ৱাহৈ নর্ভস চৎপা মাল্লকখি। যু এন সীদগী থোক্লকপা মানবা ৱাহৈ, প্রহলাদ পাটিলসু ঙাঙলকই। ঙল্লিঙৈ তৌরমগদবা থবক, মীয়ামগী খোয়শাউনবনা খাংঙমদবা পনখৈ অদু য়ৌখ্র’তুং তৌরকপনা ‘মোদি লৈঙাক’ অসিবু শিন্থোং খঙদবা তাহনখি। ... সেন্টরনা যু এন সীদা ব্লোকেদ তোক্লবা খঙহনখ্রে... থা অমা মখায়গী মতুংদা তারকপনি। ঙরাং নহান ইবোবীগী চীন্দগী তাখিবনি - রাজনাথ’না মঙোন্দা ‘সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট শেম্লোয় হায়যু ব্লোকেদ তোকহল্লগে’ হায়রক্লে। রাজনাথ’না হায়খিদবা ওইরগদি - অদুক সেন্সিটিব ওইবা ইশ্যুদুদা বি জে পি’না করিগী তুমিন লৈখি? হংদবা য়াদবা ৱাহংনি।

হৌজিক্তি, ৱাফম অসি হেন্না সিরিয়স ওইশিনখ্রে। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা হায়রবসু যু এন সী’না হন্দোকপগী মহুত্তা হেন্না কনশিনহন্নবা ফিরেপ লৌমিন্নখ্রে অতোপ্পা নাগা ওর্গেনাইজেসন কয়াগা। মণিপুর লৈঙাক্কা মুক্লবখক নত্তে ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকসু মুক্লবা ঙম্মি। মণিপুর লৈঙাক্লা শেম্বা দিষ্ট্রিক্ট নাগাশিংনা য়াবা ঙল্লোই, মরমদি, নাগাশিংদি হান্নলা মণিপুর লৈঙাক্কা মরী থদৎনখ্রে। মণিপুরগী নাগা তাবা লম নাগালিমদা পুনশিনবা - ইন্দিয়াগা এন এস সী এন (আই-এম) গা খূৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট’তা য়াওখ্রবনি... অসিনচিংবা ৱাখল্লোনসি যু এন সী’দা চুশিন্দুনা লৈখ্রবনি। মখোয়না থাজৈ - ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টসু যু এন সীগী প্রেসরদা চৎকনি। ৱাতোন্না ৱাংলবদি ক্বাক’না ফমদেকপগুম, ক্বাক অমা থোক্লকপা মথৌ তারি।

লৌশিং পুক্কৈ

# ইমুংদা উচি লৈবগী খুদোংথীনিংঙাই ওইবশিং

উচি য়াম্না লৈবা ইমুংগী মীওইশিং মশা-মঊ ফৎকনে দ। উচিনা অকোয়বদগী লায়না পোকহল্লকপা য়াবা পোৎলমশিং চেনশিল্লগা ইমুংদা চাইথোরকই। ঙানু-য়েন অমদি মীওইবগী হকশেলদা উচিনা মখল কয়াগী লায়না পোকহল্লকপা তারবসু মীওই অয়াম্বনা ৱাফম অসি ইথৌ-থৌশানদে।



য়ুনিভর্সিটি ওফ বৃটিশ কলম্বিয়াগী রিছার্চরশিংনা চথুখিবা ষ্টদি অমদা পেথোজেনিক ঈ-কোলি কৌবা লায়না পোকহল্লপা য়াবা বেক্টিরিয়া মখল অমা উচি মথীশিংদা য়াওই হায়বা খঙলকখি। বৃটিশ কলম্বিয়াগী ফার্ম অমদা লৈরম্বা উচি মথীশিং চাংয়েং তৌবদা মখল কয়াগী হীদাক চঙবা ঙল্লোইদবা মহীক অমা য়াওরম্বসু থেংনরকখি। ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা চেলসী হিমসৱর্থনা হায়খি, উচিনা অকোয়বদগী পেথোজেনিক ঈ-কোলি লৌশিল্লগা ইমুংদা শনে দাকপা ঙম্মী হায়বা খঙলবনিনা অতৈ অতোপ্পা হান্না খঙনরমদবা লায়না কয়াসু শন্দোক্লম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ।

ইমুংদা উচি লৈবগী থৌওংবু তরাইনা লৌফম থোক্তে হায়খি, সাইন্টিষ্ট অমদি পেষ্ট কন্ট্রোল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাক লৌরগা সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা উচি লৈহন্দনবা থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি ‘জর্নেল ওফ ৱাইল্ডলাইফ দিজিজেজ’ দা হন্দক ফোঙল-কখিবনি। সেন্টর ফোর দিজিজ কনে ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সনসু ইমুংদা উচি লৈবনা মীওইবদা লায়না কয়া শনে দারকই হায়না ফোঙদোকখি। সী দি সীগী রিপোর্ট অমনা হায়রি, ইমুংগী মফম কয়াদা চাইথোরকপা উচিগী মথী ময়ুং অমদি মতিলদা য়াওবা মহীকশিংনা মীওইবদা হেন্টাইভাইরস পলমোনরি সিন্দ্রোম (ঐচ পি এস) কৌবা লায়না অমা শন্দোরকই। কুমজা ১৯৯৩ দা ইহান হানবা ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা থেংনরকখিবা লায়না অসিনা কনাগুম্বা অমবু শিহনবা ফাওবা য়াই।

উচিদা লৈবা মহীকশিংনা ম্যুরিন চাইফম কৌবা লায়না মীওইবদা শনে দারকপা য়াই। আর টাইফি কৌবা মহীক চেল্লবা উচিগী মহীকশিংনা মীওইবদা চীক্লবা মতমদা লায়না অসি শন্দোরকপনি। উচিনা চীকখিবা নৎত্রগা খোৎখিবা মতমদা রেট-বাইট ফিবর (আর বি এস) কৌবা লায়না অমা ওইহল্লকপা নৎত্রগা ঈশিং থক্লুবদগীসু লায়না অসি ওইহল্লকই।



সালমোনেলা এন্টরিকা সেৱোবার টাইফিমরিয়ম কৌবা উচিদা পকপা মহীক অমনা মীওইবদা চীকখ্রগা ওবা-ফাইবগী লায়না ওইহল্লকপা য়াই। ইম্যুন সিষ্টেমগী মপাঙ্গল শোল্লিবা মরম্না পীক্লিবা অঙাংশিংদা লায়না অসি তোয়না নাবা থেংনৈ। অহল ওইশিল্লক্লবা অমদি ইম্যুন সিষ্টেমগা মরী লৈনবা লায়না লৈবা মীওইশিংদসু লায়না অসি অরায়বা মওংদা চঙবা ঙম্মী।

সী দি সীগী রিপোর্টনা হায়খি, উচিদা য়াওবা লেপ্টোস্পিরা কৌবা মহীক অমনা মীওইবদা লেপ্টোস্পিরোসিস কৌবা লায়না ওইহল্লকপা য়াই। লায়না অসিনা মরম ওইরদুনা মীওইবদা তোঙান-তোঙানবা লায়ওং কয়া উৎথোরকই। কনাগুম্বা খরদা লায়ওং অমত্তা উৎথোরক্তবসু য়াই। লেপ্টোস্পিরোসিসকী মরুওইবা লায়ওংশিংদি লায়হৌ হৌবা, কোক চীকপা, হকচাং ঈংবা, মশল নাবা অমদি ওবা-ফাইবনি। করিগুম্বদা উনসা অমদি মীৎতা নাপু মচু কারক্তুনা জোন্দিস ওইহল্লকপা য়াই।

লায়না অসিনা নাবদগী খোঙ হামথরকপা মতমদা মতম চানা লায়েংহৌদ্রবদি কনাগুম্বা অমবু কিদনি ফেল ওইহল্লকপদগী শিহল্লি। কনাগুম্বা খরদা মেনিঞ্জাইটিস (ব্রেন অমদি স্পাইনেল কোর্দকী অকোয়বদা লৈবা মেম্ব্রেনদা ইনফ্লেমেসন তৌবা), লিভর ফেল ওইবা অমদি নিংশা শ্বর মরীদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াওই।

ইমুংগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা উচিনা ইলেক্ট্রিক ৱায়রদগী হৌরগা লুখাক চগুম্নচিংবা পোৎলম খুদিংমক চায় অমসুং চীকথৎলি। ইমুংদা মশীং থীঙমদনা লৈরিবা উচিনা চোইথোরকপা মথী-ময়ুংদা লায়না পোকহল্লকপা য়াবা মহীক-মতায় কয়ামরুম য়াওই হায়বা খক কউরোইদবনি। ইশম-শম্না হায়রবদা মীওইবনা য়ুম অমদা উচিশিংগা পুন্না লৈমিন্নরিবনি। অদুবু উচিনা মীওইবদা থোকহল্লকপা য়াবা খুদোংথিবশিংগী মতাংদদি মীওই অয়াম্বনা থৌশানদে।

করিগুম্বদা খঙহৌদবদগী উচিনা চারম্বা চাক লুখাক চাবা মীওই কয়াসু লৈতবা নত্তে। উচিগী মথী-ময়ুং অমদি মতিলদা হেন্টা ভাইরস কৌবা মহীক অমা য়াওবনিনা উচিগী লুখাক চারুবদগী মীওই কয়া লায়না পক্লকই। অদুবু উচিনা থোকহল্লকপা লায়নানি হায়বা খঙদবনিনা অরানবা মওংদা লায়েংবগী থৌরাং লৌখৎনৈ। খুদোংথিবা কয়াদগী ঙাকথোক্নবগীদমক ইমুং অমদি অকোয়বগী ফীভম লু-নান্না থম্বগা লোয়ননা য়ারিবমখৈ ইমুংদা উচি লৈহন্দনবা হোৎনগদবনি। মখল কয়াগী থৌরাং লৌখৎতুনা ইমুংদা উচি লৈহন্দনবা হোৎনবা য়াম্নমক তঙাইফদে। ইমুংগী মফম অমদা উচি অশিবা নৎত্রগা উচি মথী লৈরম্বা থেংনরবদি চেকশিন্না লৌথোক্তুনা হুন্দোকখ্রবা মতুংদা মহীক-মতায় হাৎনবা দিসাই-ফেক্টেন্ট মহী চাইথোক্কদবনি। থৌরাং অসি লৌখৎপদা হেন্দ গ্লোব উপ্পা মথৌ তাই।


Directorate of Film Festivals

सत्यमेव जयते
Ministry of Information & Broadcasting
Government of India

MSFDS

Inauguration of
IFFI CHAPTER IN NORTH-EAST
16th December, 2016 at 4:00 p.m.
at
MANIPUR STATE FILM DEVELOPMENT SOCIETY AUDITORIUM
PALACE GATE, IMPHAL EAST

Inaugural Ceremony will be followed by the Opening Film

THE THRONE
Dir : Lee Joon-ik, Korea
Winner of the Special Jury Award at IFFI Goa 2016

Film Screenings from 16 - 19th December, 2016

| Date / Time | 17.12.2016 (Saturday) | 18.12.2016 (Sunday) | 19.12.2016 (Monday) |
|---|---|---|---|
| 9.30 AM | EibusuYaohanbiyu<br>Dir: Maipaksana Haorongbam<br>Manipuri/106 mins | My Name is Maya<br>Dir : Tommaso Agnese<br>Italy / 90 mins | Kothanodi<br>Dir: Bhashkar Hazarika<br>Assamese/ 118 mins |
| 12:00 Noon | Cats Don't Have Vertigo<br>Dir: Antonio - Pedro Vasconcelos<br>Portuguese / 124 mins | Ishti<br>Dir: G Prabha<br>Sanskrit/108 mins | Sailing to Paradise<br>Dir: Blaz Zavrsnik<br>Slovania / 80 Mins |
| 3:00 PM | Into the Fire<br>Dir : John H. Lee<br>Korean / 120 mins | Onaatah<br>Dir: Pradip Kurbah<br>Khasi/112 mins | Harikatha Prasanga<br>Dir: Ananya Kasaravalli<br>Kannada/136 mins |
| 5:30 PM | Natsamrat -Asa Nat Hone Nahi<br>Dir: Mahesh Manjrekar<br>Marathi/165 mins | Beautiful<br>Dir : Juhn Jaihong<br>Korean / 88 min | Black Stone<br>Dir : Gyeong –Tae Roh<br>Korean/93 mins |

Highlights:
Showcasing films from Korea, Portugal, Italy, Slovenia
Selection of Indian Panorama and National Award winning films

한국문화원
Korean Cultural Centre

Organised by
DIRECTORATE OF FILM FESTIVALS
Ministry of Information & Broadcasting, Government of India
MANIPUR STATE FILM DEVELOPMENT SOCIETY, Manipur

European Union

davp 22209/13/0028/1617